## এমসি মেরিকোম উলানবাটর কপ বোক্সিংগী ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে



*ন্যু দিল্লি, জুন ২৩ ঃ*
মোঙ্গোলিয়াগী উলানবাটর সিটিদা পাঙথোকপা উলানবাটর কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৫১গী কেতেগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী হান্নগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইরম্লবী ওলিম্পিয়ন মণিপুরদগী হৌখিবী এমসি মেরিকোম মায়থিহৌরে।

চহি ১ হেন্না শান্নবা লেপ্লুরবা মতুং নৌনা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট শরুক য়ারকপা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা কোরিয়াগী বোক্সর সোল মি বাংগা লম্বা তৌনবদা মায়থিহৌবনি।

বাউট অদুগী লম্বাদা মেরিকোমনা মঙোনদগী মরেপ হেনবী কোরিয়াগী বোক্সর অদুদা থিনখিবা কিনশিং অদু পোন্ট ফঙবা য়াম্না ঙমখিদে। মসিদসু নত্তনা মেরিকোমনা বাউট অদুগী মনুংদা কা হেন্না লুকথদুনা শান্নবগীদমক রেফরিগী ৱার্নিং ফাওবা ফঙখি।

চহি অসিগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা কর্ম্মন ৱেল্‌থ গেমকীদমক শেম-শাবা ওইনা মেরিকোমনা টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়াবনি। মহাক কেজি ৫১গী বাউট অদুগী মতুং কেজি ৪৮গী কেতেগোরিদা হন্থদুনা মখা তানা প্রেক্টিস চত্থগদৌরি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা এসিয়ান য়ুথকী সিলভর মেডল ফঙবা ঙমখ্রবা ইনিদয়াগী অনকুস দহিয়া অমদি নুপী বোক্সর প্রিয়াঙ্কা চৌধুরিনা কেজি ৬০দা মখোয় মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলগী বাউট অদু মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

অঙ্কুসনা ঙসি থেংনখিবা কেজি ৬০গী নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা মোঙ্গোলিয়াগী দুলগুন ওয়ুংচিমেকপু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা রুশিয়াগী বোক্সর রদনা সিবিকোবকা লম্বা তৌন্নরগনি। অদুগা প্রিয়াঙ্কানা রুশিয়াগী অলেকজ্রেন্দ্রাবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা কোরিয়াগী হে সোং সুহিগা থিনরগনি।

নুপাগী কেজি ৬৯গী কেতেগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর দুর্য়োধন সিংহ মোঙ্গোলিয়াগী বিয়াম্বা ওগোনবতরগী মখুৎতা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মায়থিহৌখি। লোয়ননা নুপীগী কেজি ৭৫গী কেতেগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর কলাৱান্টি রুশিয়াগী বোক্সর লিয়ুবোব ইয়ুসুপোবাগী মখুৎতা মায়থিহৌখি।

পনবা য়াই ঙরাং টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী লাইশ্রম দেবেন্দ্রো মাংজৌননা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

## থৌবালগী সুপর অমসুং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটুবোল লীগ হৌরগনি

*থৌবাল, জুন ২৩ ঃ*
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী মখাদা ৩ শুবা এল ইবেতোম্বী দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন অমসুং ফার্ষ্ট ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ মথং থাগী ১৬ অমসুং ১৮ দগী হৌরগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি।

৩শুবা লেট ইবেতোম্বী দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা জুলাই ১৬ তগী হৌরগনি। অদুগা দিএফএ থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ না জুলাই ১৮ দগ হৌরগনি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি থৌবালগী তোঙান-তোঙানবা মফম অহুম ৱাংজিং কোদোম্পোকপি স্পোর্টস কমপ্লেক্স, হৈরোক শান্নবুং অমসুং চরাংপাৎ শান্নবুংনি।

মেনেজরশিংগী মীফম দিএফএগী ওফিসতা জুলাই ৯ গী নুংথিল পুং ৩ দা পাঙথোক্কনি। টুর্নামেন্টশিং অসি য়াওননবা ফোর্ম পীশিনবগী নুমিৎ জুলাই ৮ দা ওইগনি।

ক্লব রিনুএল তৌবগী অরোইবা নুমিৎনা জুলাই ৪ নি অদুগা ফিনা লুপা ২০০০ ওইগদৌরি। টুর্নামেন্ট অমদি শান্নরোইশিংগী আই দি কার্দকী ফি লুপা ২০০০ গা লোয়ননা জুলাই ৮ ফাওবা শাবা য়াগনি হায়রি।

ফিফাগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না শান্নরোই পুম্নমক সেন্ট্রেলাইজ রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেমগী মখাদা রেজিষ্টার তৌগদবনি। সিষ্টেম অসিগী নম্বর ফংদবা শান্নরোই অমত্তা টুর্নামেন্ট য়াওবা য়ারোই হায়রি।

## এম ও এনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি

*ইম্ফাল, জুন ২৩ ঃ*
ঙসি মণিপুরদা ওলিম্পিক দে রন মায়পাক্লা পাঙথোকখিবদা শরুক য়াখিবা পূম্নমকপু মণিপুর ওলিম্পক এসোসিএসন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

প্রেসতা এম ও এগী সেক্রেটরিগী চেরোল অসিনা মখা তারদুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং মরু ওইনা ওলিম্পিয়ানশিং, ইন্টরনেসনেল, নেসনেল, দ্রোনাচার্য মনা ফংখ্রবশিং, আর্জুন অমদি ধ্যানচান্দ মনা ফংখ্রবশিং লোয়ননা অতোপ্পা মনা ফংলকখ্রবশিং, ভেটরান শান্নরোইশিং, মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা আই এ এস ওফিসারশিং য়াওনা শান্নববু নুংশিজবশিং, খুমন লম্পাক্তা লৈবা নেসনেল স্পোর্টস একাদমিগী, সাই-এস এ জিগী , রেগুলর কোচিং য়াওরিবা শান্নরোইশিং, ষ্টেট লেভেল স্পোর্টস এসোসিএসনশিং, প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়া, দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস, মরু ওইনা দিপার্টমেন্ট অসিগী অমদি আইএফসিদিগী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, এম ও এগী প্রসিদেন্ট আই হেমোচন্দ্র সিংহ, এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেলর অদ্য প্রসাদ পান্দে, য়াস অমসুং হায়র এদজুকেসনগী কমিস্নার ঐচ দিলিপ সিংহ অমদি অতোপ্পা কয়াবু এম ও এগী মায়কৈদগী হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## নাৎ মান্নদবশিং পুনশিন্ননবা স্পোর্টসনা য়ুম্ফম ওইরি

*ইম্ফাল, জুন ২৩ ঃ*
ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মেন ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা শিন্দুনা য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা 'রন ফোর পিছ এন্দ ফ্রেন্দসিপ' হায়বা থিমদা ওলিম্পিক দে রন ২০১৭ লমথাবগী থৌরমদা স্পোর্টসনা মফম অসিদা লৈরিবা জাৎ অমসুং হৌরকফম খেৎনবশিংবু পুনশিন্দুনা ইং তপ্পা মচিন মনাও ওইবগী ৱাখল চেনবা অমদি তিন্নবগী অচৌবা থৌদাং অদু লৌই হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা স্পোর্টসকী অচুম্বা ৱাখল্লোন লৈবা অদুনা ৱাখল তপ ইংবা অমসুং হকচাং ফনা লৈবা ঙমগনি হায়খি। ষ্টেট লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিং মখোয়না ফংফম থোকপা খুদিংমক ফংহন্ননবা হোৎনরি।

ঙসি ওলিম্পিক দে রন অদুদা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী শান্নরোই অমসুং ওফিসিয়েল ১০০০ রোম হেন্না শরুক য়াখি। রন দু খুমন লম্পাক্তগী হৌরগা খোঙনাং অনী কারক নোর্থ এওসি অমসুং এমএমটিএ ফাওরগা চেনখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টকী আই হেমোচন্দ্র সিংহ, মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর অদ্য প্রসাদ পান্দে অমসুং য়াস অমসুং হায়র সেকেন্দরিগী কম্মিস্নার ঐচ দিলিপ সিংহ আইএএসসু শরুক য়াখি।

জি এস টিগীদমক থৌরাং তৌবীহৌরো
জুলাই তাং ১, ২০১৭ দগী জি এস টি চৎনরগনি
1 NATION 1 TAX 1 MARKET

## অনৌবা টেক্স থিগদবা অমসুং হৌজিক লৈরিবা টেক্স থিরিবশিংনা জি এস টিদা ওনশিন্নবগী রেজিষ্ট্রেসন জুন ২৫, ২০১৭দগী হৌরগনি




### জি এস টিগী মখাদা নৌনা রেজিষ্টর তৌগদবশিংঃ

- জি এস টিগী মখাদা নৌনা রেজিষ্টর তৌনবগীদমক চেরোল পীশিনবগী থবক অসি জুন ২৫, ২০১৭দগী হৌবা য়ারে।
- রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগী চেরোল অসি রেজিষ্টর তৌনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অমগী মনুংদা পীশিনবা য়াই।
- জুলাই তাং ১, ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্টর তৌগদবা টেক্স থিরিবশিংনা মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসনগী চেরোল অদু জি এস টি পোর্টেলদা জুলাই ৩১, ২০১৭ ফাওবদা পীবা য়াগনি।
- নৌনা রেজিষ্টর তৌনিংবশিংনা মতম য়াম্না শাংনা ফঙলি।

### হৌজিক চৎনরিবা ভেট, সর্ভিস টেক্স অমসুং সেন্ত্রেল এক্সাইজ টেক্সপেয়রশিংগী মাইগ্রেসনঃ

- হান্না পীখিবা আই দিনা মরম ওইরগা ভেটতা ওনশিল্লক্লবা হোৎনবদা 'আর সি কেন্সেল' হায়না উৎখিবশিং অদু অমুক হন্না এক্টিভেট তৌরে। হায়রিবা অদুমক জি এস টি পোর্টেলদা চঙনবগীদমক জুন ২৫, ২০১৭ ফাওবদা শিজিন্নবীয়ু। অমুক্তংবু মীং য়াওখ্রবদি, অদোম্না অদোমগী রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম অদু থা অহুমগী মনুংদা পীশিনবা য়াই।
- হান্না অতোপ্পা টেক্স থিরম্বদগী নৌনা জি এস টিদা থিনবগীদমক মীং চনবা মতমদা হন্না পীখিবা জি এস টি আই এন গী প্রোভিজনেল আই দি অদু শিজিন্নরগা মখা তানা মখোয়গী লল্লোন-ঈথিক্কী থবক জুন ১, ২০১৭দগী হৌরগা থা অহুম ফাওবা মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসনগী সার্টিফিকেট (জি এস টি আই এন) ঙাইদ্রবসু শিজিন্নবা য়াই।
- সেন্ত্রেল এক্সাইজ অমসুং সর্ভিস টেক্স রেজিষ্ট্রেসন জুন, ২০১৭ ফাওবদা ফঙখ্রবা টেক্স থিরিবা মীওইশিংগী প্রোভিজনেল আই দি অদু জুলাই, ২০১৭গী অহানবা চায়োলদা ইশু তৌগনি।

davp 15502/13/0053/1718

ট্বিট তৌবীয়ু @askGST_GoI জি এস টিগা মরী লৈনবা ৱাহংশিংদমক
সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস
কম্মর্সিয়েল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস / য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং
www.cbec.gov.in

## এএস রোমাদগী লিভরপুলনা মোহমদ সলাবু লৌখ্রে

*লন্দন, জুন ২৩ ঃ*
ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা লিভরপুলনা মখোয়গী ক্লব অসিদা ইটালিগী ক্লব এএস রোমাদা হান্না শান্নরম্বা ইজিপ মচা মোহমদ সলাবু য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৪৩.৫দা লৌখ্রে।

মশাগী চহি ২৫ দা ঙাইরিবা ইজিপকী শান্নরোই অসিনা লাক্কদৌরিবা সিজন অসিদগী হৌরগা চহি ৫গী কন্ট্রেক্ট য়ান্নখি।

পনবা য়াই সলানা রোমাদা শরুক য়াদুনা সেরি এ ফুটবোল লীগতা পুন্না মেটচ ৬৫ শান্নখিবা পাঞ্জল ২৯ চনবা ঙমখি। মমাংদা শান্নরোই অসি স্বিজর্লেন্দগী ক্লব ভাসেলদা শান্নরম্লবা মতুং ইংলেন্দগী অতোপ্পা ক্লব মমাংগী চহিগী চেম্পিয়ন চেলসিদসু শান্নরমই। অদুগা এএস রোমাগী মাংওইননা অতোপ্পা ইটালিগী ক্লব ফিওরেন্টিনসু শান্নরমখি।

মোহমদ সলানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না লিভরপুল ফুটবোল ক্লবতা লাক্কদৌরিবা সিজনশিংদা চাদ ১০০ হোৎনদুনা ক্লব অসিবু হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী অহেনবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি হায়খি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*